# লান লেপ্পবা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা পিছ টোক্ক মখা চখনবা চাইনানা আপিল তৌখ্রে

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাদুনা চথরক্লিবা লান চহী অমা মপুং ফারকপগা লোয়ননা চাইনানা লান শোক্করিবা নাকল অনীমক্কী মরক্তা লেপ্পুরবা পিছ টোক্ক অমুক মখা চখনবা ইরাই নুমিত্তা আপিল তৌখ্রে।

বৈজিংনা নাকল নাম্মগী অনিংবা অপান্বদা য়ুম্ফম ওইবা অথিংবা থন্বগী থৌওংশিং লেপ্পবসু আপিল তৌবগা লোয়ননা চাইনানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় শীজিন্নবগী মায়োক্তা লৈ হায়না অমুক হন্না ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টরনা রিলিজ তৌখিবা পোইন্ট ১২ গী পেপর অমনা হায়, কনফ্লিক্ট অমসুং লাননা কনামত্তবু কান্নহন্দে। পার্টি খুদিংমক্না রিজনদা য়ুম্ফম ওইরগা ৱারেপ লৌগদবনি অমসুং থবক পাঙথোক্কদবনি। লোয়ননা কনফ্লিক্টকী ফিভম অসিদা পার্টিশিংনা য়ারিমখৈ পুক্নিং ফাথগদবনি অমসুং টেন্সন হেনগৎকদবা থবক থৌওংশিং চথরোইদবনি।

হৌজিক্কী ক্রাইসিস অসি হেন্না লুশিলহনগদবা নত্ত্রগা কন্ত্রোলগী ৱাংমদা চৎখিগদবদগী থিংননবা য়ারিমখৈ হোৎনগদবনি।



পেপর অদুনা মখা তানা হায়, পার্টি খুদিংমক্না রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন্না মান্নবা মায়কৈ অমদা থবক তৌমিন্নরকপদা শৌগৎকদবনি অমসুং কনফ্লিক্টতা চেন্নরিবা লৈবাক অনীনা য়ারিমখৈ থুনা দাইলোগ হকথেংননা চথবা হৌগদবনি। মসিনা উংখৎনবগী ফিভম থেংখাং নাইনা হন্থহনবগা লোয়ননা মপুং ফাবা সিজ ফায়র অমা পুরকপদা চাওনা মতেং পাঙগনি।

পেপর অদুনা য়ুএন চার্টর চেকশিন্না ওবজার্ব তৌগদবনি হায়না পল্লদুনা লৈবাক পুম্নমক্কী সোভরেন্টি, ইন্দিপেন্দেন্ট অমসুং টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি ইকায় খুম্ন গদবনি হায়খি।

কোল ৱারগী ৱাখল্লোন থাদোক্ল বা আপিল তৌবগা লোয়ননা পেপর অদুনা হায়, লৈবাক অমগী সেক্যুরিটিনা মরম ওইদুনা অতৈ লৈবাকশিংগী সেক্যুরিটিদা শোকহনবগী থৌওংশিং চথরোইদবনি। মিলিটরি ব্লোকশিং হেন্না মপাঙ্গল লৈহন্দুনা নত্ত্রগা চাওথোকহন্দুনা লমদম অমগী সেক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎহনবগী থৌওং অসি লেপকদবনি। লৈবাক খুদিংমক্কী লিজিটিমেট সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্টশিং লুনা লৌবগা লোয়ননা ইকায় খুম্নগদবনি। অরুবা ইস্যু অমগী মতাংদা ঐখোয়না ইচম চম্বা সোলূসন থীবা ফঙলোই হায়নসু পেপর অদুদা পনখি।

য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস অসিগী চৎনবা য়ারবা সোলুসনদি দাইলোগ অমসুং নিগোসিএসননি হায়রদুনা চাইনানা হিরম অসিগী মতাংদা মখা তানা কন্সট্রক্টিব থৌদাং লৌখিগনি হায়নসু চেরোল অদুদা পনখি। অদুম ওইনমক পেপর অদুনা য়ুএস অমসুং নোংচুপলোমগী অতৈ লৈবাকশিংনা রসিয়াদা মখল মখা কয়াগী শেল থুমগী অথিংবশিং থম্ববুদি ক্রিটিসাইজ তৌখি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা পেপর অদুনা হায়রিবদি য়ুনিলেটরেল অথিংবশিং অমসুং য়ারিমখৈ প্রেসর পীবগী থৌওংনা ইস্যু অসি সোল্ব তৌবা ঙম্লোই। শুপ্ন গী মখোয়না অনৌবা প্রোব্লেমশিং থোকহনগনি। মরম অদুনা মরী লৈনবা লৈবাকশিংনা য়ুনিলেটরেল অথিংবশিংগী ৱাহন্থোক অসিবু লান্না শীজিন্নবা লেপকদবনি। মসিদা নত্তনা অতৈ লৈবাকশিংগী মায়োক্তা খুৎলায় পীশিন্দুনা কনফ্লিক্ট লুশিলহনবগী থৌওং অসিসু লেপকদবনি।

অসুম তৌরবদি য়ুক্রেনগী ক্রাইসিস অসি হন্থহনবদা লৈবাকশিং অসিনা মখোয়গী লৌফম থোকপা থৌদাংশিং শোয়দনা লৌবা ঙমগনি। ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং শীজিন্নবগী খোঙথাং নত্ত্রগা ৱাখল্লোন অসিগী মায়োক্তা চাইনানা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা লৈ হায়নসু পেপর অদুদা পনখি।

# ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেটলমেন্টশিংদা অনৌবা হাউজিং য়ুনিট ৭,১৫৭ শাবা য়াহনখ্রে

জেরুসালেম, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেটল-শিংদা অনৌবা হাউজিং য়ুনিট ৭,১৫৭ শাবগী থৌরাংশিং ইজরেলনা এপ্রুভ তৌরে হায়না ইজরেল্লি সেটলমেন্ট ৱাটচদোগ গ্রুপ অমনা হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্কতা পায়খৎপা কন্সট্রক্সনগী থবকশিং এপ্রুভ তৌবগা মরী লৈননা লৈরিবা ইজরেল্লি বোদি অমা ওইরিবা হায়র প্লানিং কাউন্সিল ওফ ড সিভিল এদমিনিষ্ট্রেসন্না য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা হাউজিং য়ুনিটশিং শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাংশিং অদু এপ্রুভ তৌখিবনি হায়না পিচ নাউনা রিলিজ তৌবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না থৌরাং তৌরিবা অনৌবা হাউজিং য়ুনিটশিংদুগী মনুংদা য়ুনিট ৫,২৫৭ প্রিলিমিটরি এপ্রুভেল পীরে অমসুং য়ুনিট ১৯০০ না কন্সট্রক্সন হৌনবগী ফাইনেল এপ্রুভেল ঙাইহরি। মসি হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা এপ্রুভ তৌখিবা খ্বাইদগী চাওবা সেটলমেন্ট এক্সপান্সন প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা অমনি। কুমজা ২০২২ দা ইজরেলনা হাউজিং য়ুনিট ৪,৪২৭ এপ্রুভ তৌখিবনি অমসুং কুমজা ২০২১ দনা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেটলমেন্টশিংদা য়ুনিট ৩,৬৪৫ এপ্রুভ তৌখিবনি। খোঙথাং অসি প্রাইম মিনিষ্টর নেটন য়াহুগী রাইট-ৱিং কোল্লিসন ৱাশক লৌখিবা মতুং থা অনীরোম কান্নরগা লাকপনি।

নেটন য়াহুগী কোল্লিসন অসি অল্ট্রা-নেসনেলিষ্ট অমসুং প্রোসেট্টলর পার্টিশিংনা দোমিনেট তৌরিবনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ৱেষ্ট বেঙ্ককী নেব্লস সিটিদা ইজরেল্লি মিলিটরিনা রেইদ চথবদা পলেষ্টিনিয়ন ১১ শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ১০৩ অশোক অপন নঙখিববগা লোয়ননা ইজরেল্লি অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎহনখি।



মসিগী মমাঙদা ইজরেলনা য়ুএসতা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা অনৌবা সেটলমেন্টশিং লাক্লিবা থা খরা অসিদা এপ্রুভ তৌবা লৈরোই হায়না খঙহনবা লৈখ্রবনি। থাসিগী ১২ দা ইজরেলগী ফার-রাইট কোল্লিসন গভর্ণমেন্টনা সেট্টলর আউট পোষ্ট মাপন লিগেলাইজ তৌখি। আউট পোষ্টশিং অদু পার্মিট য়াওদনা শাখিবনি।

# য়ুক্রেনগী মতাংদা য়ুএনগী রিজোলুসন ভোট লৌনবদা ইন্দিয়া অমুকসু য়াওখিদ্রে

য়ুএন, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): রসিয়াদা য়ুক্রেনগী লান লেপ্পনবা তকশিনবা রিজোলুসন অমা য়ুএন জেনরেল এসেমব্লিদা ভোট লৌনবদা ইন্দিয়া অমুকসু য়াওখিদ্রে। রিজোলুসন অদু জেনরেল এসেমব্লিদা ভোট লৌনবদা অপুনবা ভোটকী শরুক অহুম থোকপগী অনী হেনবনা শৌগৎখি।

য়ুক্রেন অমসুং অতৈ লৈবাক ৬৫ হেনবনা স্পোন্সর তৌখিবা রিজোলূসন অদুগী ভোট অদু শগোলশেল নুমিৎ হায়বদি রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লানদাবা হৌখিবা চহী অমা মপুং ফাগদবা নোংমা মাঙওইননা পাঙথোকখিবনি। ভোট অসিগা লোয়ননা নুমিৎ অসিগী মতম অমত্তদা ইন্দিয়াগী মিশন্না স্পোন্সর তৌখিবা ৱার্ল্ড পিছকা মরী লৈনবা 'গান্ধীয়ান ট্রষ্টশিপ' কী কনসেপ্ট য়েংশিন্নবগী রাউন্দ টেবল অমসু নাকল অমদা পাঙথোকখি।

য়ুক্রেনগা মরী লৈনবা রিজোলূসন অদুবু ভোট লৌনবদা ইন্দিয়ানা য়াওখিদবগী মরম এক্সপ্লেন তৌদুনা য়ুএনদা লৈবা ইন্দিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব রুচিরা কম্বোসনা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না



মতম চুপ্পদা কনফ্লিক্ট অসিগী চৎনবা য়ারবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থে ওইনা দাইলোগ অমসুং দিপ্লোমেটিক চথনবা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌদুনা লৈগনি।

কম্বোসনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রিজোলূসন অদুদা হৌজিক্কী কনফ্লিক্ট অসি লোইশিন্নবগী নিগোসিএসনগী ৱাফমসু পনখিদে। তৌইগুম্বসুং রিজোলূসন অদুনা য়ুএন চার্টরগা চান্ননা য়ুক্রেনদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা দিপ্লোমেটিক্কী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা আপিল তৌখি।

অমরোমদা, কম্বোসনা কনফ্লিক্টতা চেন্নরিবা সাইট অনীনা শরুক য়াদবা করম্বা প্রোসেসনা চৎনবা য়াবা ৱাহন্থোক লৈবা সোলূসন পুরক্কদৌরিবনো হায়না হংখি। কম্বোসনা মহাক্কী ৱারোলদা পিএম মোদিনা তোইনা পনখিবা হৌজিক লানগী মতম নত্তে হায়বা অসি তোইনা নীংশিংখি অমসুং অমগা অমগা তাথিনবা অমসুং ভাইওলেন্স হেনগৎহনবা হায়বসি কনামত্তগী অপান্বা নত্তে হায়খি।

রিজোলুসন অদু ভোট ১৪১ না শৌগৎখি অমসুং রিজোলুসন অদুগী মায়োক্তা মেম্বর তরেৎনা ভোট পীখি। ভোট লৌনবা অদুদা মেম্বর ৩২ য়াওখিদে।

# ইষ্টর্ন ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা কন্না হাখ্রে

জকারটা, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা ইন্দোনেসিয়াগী নোংপোক থংবা প্রোভিন্স নোর্থ মালুকুগা নক্কনা মেগ্নিট্যুট ৬.৮ কী চাংদা য়ুহা হাখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না অকনবা য়ুহা ওইরবসু মীশি মীনাশিং নত্ত্রগা অমাঙ অতা থোকখিদে। লৈবাক অসিগী মেটিওরোলোজি, ক্লাইমেটোজি অমসুং জিওফিজিক্স এজেন্সিগী মতুং ইন্না ইরাই নুমিৎকী লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৩.০২ তাবা মতমদা থোকখিবা মোরাটাই আইলেন্দ দিষ্ট্রিক্টকী অৱাং নোংচুপলোমদা কিমি ১৩৩ লাপ্পা ইপিসেন্টর ওইখিবা অমসুং সিবেদকী মখা কিমি ১১২ লূনা থোকখিবা য়ুহা অদুনা সুনামি অমত্তা থোকহনখিদে।

য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা অনকপা প্রোভিন্স নোর্থ সুলাৱেসিদসু নিকখি। নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ মিটিগেসন এজেন্সিগী স্পোক্সমেন অব্দুল মোহারিনা হায়, হৌজিক ফাওবদা য়ুহা অদুনা বিল্ডিংশিং নত্ত্রগা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফেসিলিটিশিংদা অমাঙ অতাশিং থোকহনখিবগী পাউ ফঙদে।

য়ুহা অদুগী মতুংদা লাকখিবা ইনিসিএল রিপোর্টশিংদা মীশি মীনা অমদি অমাঙ অতা থোকপগী ৱাফম য়াওদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

নোর্থ মালুকু প্রোভিন্সতা দিজাষ্টর এজেন্সি অসিগী ইম্মর্জেন্সি য়ুনিটকী হেদ য়াসুরু এ কাসিমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা মোরোটাই আইলেন্দ দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিং য়ুহা অদুনা মখোয়গী বিল্ডিংশিং নিকহনখিবদু খঙলবসু মখোয় থোইদোক্না মীপায়বদি তৌখিদে।

ইন্দোনেসিয়া অসি পেসিফিক রিং ওফ ফায়র কৌবা য়ুহা তোইনা থোক্কনবা জোন অমগী মনুং চন্না লৈরিবনি।

# কম্বোদিয়াদা মীগা থেংনবা বার্দ ফ্লুগী অনীশুবা কেস কনফার্ম তৌখ্রে

নোমপেন, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী): হন্দক্তা কম্বোদিয়াদা বার্দ ফ্লুনা নাবদগী মশাগী চহী ১১ শুবদা ঙাইহরিবী নুপীমচা অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিদা ঐচ৫ এন১ এভিয়ান ইনফ্লুয়েঞ্জা (বার্দ ফ্লু) গী অনীশুবা হ্যুমেন কেস দিটেক তৌরে হায়না লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্‌থ (এম ও ঐচ) না ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

এম ও ঐচনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, খা নোংপোক থংবা প্রেবেঙ্ক প্রোভিন্সতা লৈবা মশাগী চহী ৪৯ শুরবা মীওই অমা টেষ্ট তৌবদা ঐচ৫ এন১ ভাইরস পোজিটিব ওইরগ্লে হায়না ইরাই নুমিত্তা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ পব্লিক হেল্‌থনা খঙহল্লকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না মীওই অদু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মশাগী চহী ১১ শুরবী নুপীমচা অদুগী অপোকপনি। মীওই অদু হৌজিক ফাওবদি লায়না অসিগী মরু ওইবা লায়ওংশিং উৎলকপা লৈত্রি। লৈখিদ্রবা নুপীমচা অদুগা হকথেংননা শম্নখিবনা মরম ওইদুনা নুপা অদুগা লোয়ননা অতৈ মীওই ১১ গী সেম্পলশিং শগোলশেল নুমিত্তা দাইগ্নোসিস তৌনবা লৌখিবনি।

মসি কুমজা ২০২৩ গী ফেব্রুৱারীদা লৈবাক অসিদা মীদা থেংনবা ঐচ ৫ এন১ এভিয়ান ইনফ্লুয়েঞ্জাগী অনীশুবা কেসনি। মসিগী মমাঙ হৌখিবা চহী মাপনগী মতমদা ভাইরস অসি মীওইবদা থেংনবগী কেস অমত্তা লৈখিদে। ঐচ ৫ এন১ এভিয়ান ইনফ্লুয়েঞ্জা অসি মখা তানা মীওইবদা মরু ওইনা অঙাংশিংদা থ্রেট অমা ওইবনা মীপুম খুদিংমক্না য়ারিমখৈ চেকশিন্ননবা হেল্‌থ মিনিষ্টর মাম বুরহেংনা আপিল তৌখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি অঙাংশিংবু অনাবা নত্ত্রগা অশিবা য়ুমদা লোইবা য়েন, ঙানুশিংদগী লাপ্না লৈহন্নবা অমদি অঙাংশিংবু য়েন, ঙানুশিংগা শম্নরুরবা মতুংদা সাপোন অমসুং ঈশিং শীজিন্নদুনা খুৎ শেংনা হামহন্নবা ঐহাক্না মমা মপা অমদি অহল লমন ওইবশিংদা আপিল তৌরি।

এম ও ঐচকী মতুং ইন্না কুমজা ২০০৫ তগী হৌজিক ফাওবদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিদা ভাইরস অসিনা মীওইবদা শোকহনবগী কেস ৫৮ থেংনখি অমসুং লায়না অসিনা মরম ওইদুনা মীওই ৩৮ শিখ্রে।

ঐচ ৫ এন১ এভিয়ান ইনফ্লুয়েঞ্জা অসি মহৌশানা অনাবা য়েন, ঙানুশিংগী মরক্তা শন্দোকপা ফ্লু অমনি। তৌইগুম্বসুং মসি করি করিগুম্বা মতমদা য়েন, ঙানুশিংদগী মীওইবদসু শন্দোরকপা য়াওই হায়না ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন্না হায়রি।

# সাইক্লোন ফ্রেদিনা মীওই তরেৎ শিহনখ্রে

এন্টানানারিবো ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): মদাগাস্করদা ট্রোপিকেল সাইক্লোন ফ্রেদিনা শিহনবা মী মশিং তরেৎ শুরে অমসুং মীওই ১৩,০০০ হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে হায়না নেসনেল দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্ট ওফিস (বি এন জি আর সি) না হায়রি।

বি এন জি আর সিগী মতুং ইন্না সাইক্লোন অসিনা রিজন তরেৎতা মীওই ৬৮,৮০৯ শোহনখি। মখোয়গী মনুংদা ময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওই ১৩,০০০ হেন্না য়াওরি। সাইক্লোন অসিনা মরম ওইদুনা নোংকন্না চুবদগী লমদমশিং অসিদা য়ুম ১২,০০০ হেন্না ঈশিং থুমজিনখ্রে নত্ত্রগা অমাঙ অতা থোক্লে। অতৈ য়ুম ১,২০৬ না মপুং ফানা মাঙ তাকখ্রে।

য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজকী চীফ স্পোক্সমেন ষ্টেফান দুজারিক্না হায়, ঐখোয়না অমসুং ঐখোয়গী হ্যুমেনিটরিয়ন পার্টনরশিংনা মদাগাস্করগী গভর্ণমেন্টবু সপোর্ট তৌবগা লোয়ননা ঈশিং থুমজিনখিবদগী ময়ুম মকৈ থাদোক্কবা মীওই ৭০০০ দা মতেং পীবা হৌখ্রে হায়রি।

# ইস্লামাবাদনা কাবুলদা টি টি পিগী লোৎফমশিংগী ইভিদেন্স পীখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানদা টেহরিক-ই-টালিবান পাকিষ্টান (টি টি পি) টেরর আউটফিটকী লোৎফমশিং লৈ হায়বগী য়েৎননিংঙাই ওইদ্রবা ইভিদেন্স পাকিষ্টাননা টালিবাননা লুচিংবা অফঘান গভর্ণমেন্টদা পীখ্রে।

ইস্লামাবাদনা মতম শাংনা লানগী চৈথেং নঙদুনা লাক্লবা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা টেরর আউটফিট অসিগী লুচিংবশিংগী চপ চাবা মফমসু খঙহনখ্রে হায়রি।

ইভিদেন্স অদু দিফেন্স মিনিষ্টর খ্বাজা অশিপনা লূচিংবা অৱাংবা থাক্কী দেলিগেসন অমনা কাবুলদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্লিকৈঙৈ মনুংদা খঙহনখিবনি হায়রি।

অফঘান গভর্ণমেন্টনা ইস্যু তৌখিবা ষ্টেটমেন্টগা ওন্ন-তৈনবদা খোঙচৎ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি কাউন্টর টেররিজম অমসুং অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা লৈরিবা টি টি পিগী লোৎফমশিংদা মীৎয়েং থম্বা অসিনি। মদু অফঘানিষ্টানদা গভর্ণমেন্ট হোংলকখিবদগী অমসুং টি টি পিনা চথবা টেরর এটেকশিং হেনগৎলকখিবদগী কাবুলদা চৎপা পাকিষ্টানগী অহানবা অৱাংবা থাক্কী দেলিগেসননি।

হন্দক্তা টেররিষ্ট এটেকশিং হেনগৎলকখিবদগী টি টি পিগা মরী লৈনবা পাকিষ্টানগী ফিরেপতা অহোংবা লাকখি। লৈবাক অসিগী সিভিল অমসুং মিলিটরি লিদরশিপনা হান্নগা মান্নদবা মওংদা টেরর আউটফিট অসিগা ৱারী শান্ননবা হোৎনখিদে। অসিগুম্বা ফিভম অসিগী মরক্তা পাকিষ্টানগী দেলিগেসন অদুদা অফঘানিষ্টানদা টি টি পিগী লুচিংবশিং লৈবগী য়েৎননিংঙাই ওইদবা ইভিদেন্স পীবদা নত্তনা টেরর আউটফিট অসিগী মায়োক্তা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি।

খোঙচৎ অদুগী য়াম্না মরু ওইরিবা অমদি ইহান হানবা ওইনা পাকিষ্টাননা অফঘানিষ্টানদা টি টি পিগী লুচিংবশিং অয়েৎ অপন অমত্তা পীদনা লৈবগী ইভিদেন্সকা লোয়ননা অফঘান টালিবান লিদরশিপতা টেরর আউটফিট অসিগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখিবা অসিনি।

অমরোমদা, খোঙচৎ অদুদা অফঘানিষ্টানগী ওফিসলশিংনা পাকিষ্টানি দেলিগেসন অদুদা অকুপ্পা ব্রিফিং অমসু পীখি অমসুং অফঘানিষ্টানগী লমদগী টেররিজম হৌখি হায়বসি য়াজখি। পাকিষ্টানি দেলিগেসন অদুদা অফঘান সাইদনা প্রোব্লেম অদু দিল তৌনবগী তোঙান তোঙানবা ওপসনশিং অমসুং সোলূসনশিং ওফর তৌখি। অদুম ওইনমক পাকিষ্টানি সাইদনা টি টি পিগী ইস্যু সোল্ব তৌননবা কাবুলনা পুথোরক্লিবা প্রজেন্টেসন অমসুং প্রপোজেলশিং অদুবু পেনিংঙাই ওইদে হায়খি।

পাকিষ্টানি দেলিগেসন অদুনা মমৈথংদা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা টি টি পিগী লূচিংবশিংগী চপ চাবা মফমশিং খঙহনখি। অফঘান টালিবান গভর্ণমেন্টনা পাকিষ্টানি দেলিগেসন অদুনা খঙহল্লিবশিং অদুবু য়ানিংদবা লৈত্রবসু নাকল অনীগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীফমগী মতুংদা থাদোরকখিবা ওফিসল হেন্দ আউটতা ৱাফমশিং অদু পল্লকখিদে হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুনগী রিপোর্টনা হায়রি।

# লাইশঙশিংদা এটেক তৌখ্রবা মতুংদা খালিষ্টানিশিংনা ব্রিসবেন্দদা লৈবা ইন্দিয়ন কোন্সুলেটতা টার্গেট তৌখ্রে

মেলবোন ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): হিন্দুশিংগী লাইশঙশিংদা অমাঙ অতা কয়া থোকহনখ্রবা মতুংদা ব্রিসবেন্দদা লৈবা ইন্দিয়ন কোন্সুলেটতা খালিষ্টানি ফিরাল কয়া থেৎচিল্লক্লে হায়রি।

খোঙথাং অসি ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর এস জয়সঙ্করনা ওষ্ট্রেলিয়াদা খোঙচৎ অমা পাঙথোকখ্রবা মতুং শুপ্নগী নুমিৎ খরনি কান্নরগনি। মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ফেব্রুৱারী ২২ দা ব্রিসবেন্দদা লৈবা ওনরেরি কোন্সল ওফ ইন্দিয়া অর্চানা সিংহগী ওফিসতা খালিষ্টানি ফ্লেগ অমা থেৎচিল্লম্বা থেংনখি।

রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না অর্চানা সিংহ মশামক্না মহাক্কী ওফিসতা খালিষ্টানি ফ্লেগ লৈরম্বা থেংনবদগী পুলিসতা রিপোর্ট তৌদুনা মফম অদুবু য়েংশিলহনখি। হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না পুলিস ওথোরিটিদা থাজৈ হায়না ফোঙদোকখি।

ফেব্রুৱারী ২১ দা থোকখিবা থৌদোক অদু খালিষ্টানি সপোর্টরশিংনা হিন্দু লাইশঙ অনীদা কিহল্লকখিবা মতুং শুপ্নগী নুমিৎ অনী কান্নরগনি। ফোন কোলশিংদুগী মনুংদা অমদা ব্রিসবেন্দদা লৈবা গাইট্রি মন্দিরগী প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টদা 'খালিষ্টান জিন্দাবাদ' হায়বা খোল্লাউশিং লাউনবা অমদি রেফরেন্দম শৌগৎনবা খঙহনখি। মসিগী মমাঙ চয়োল অসিদা মেলবোর্নদা লৈবা কালিমাতা লাইশঙদা থ্রেট কোল অমা লাকখি অমসুং লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থৌরমশিং কেন্সেল তৌদ্রবদি অফবা ওইরোই হায়না কিহল্লকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২৩ হৌরকপদগী ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং কানাদাদা লৈবা হিন্দু লাইশঙশিংদা খালিষ্টানি ইলিমেন্টশিংনা এটেক তৌবা হেনগৎলকখি। মখোয়না লাইশঙশিংগী ৱালশিংদা এন্টি-ইন্দিয়া স্লোগানশিং অমসুং গ্রাফিটি ইশিনখি অমদি য়েকশিনখি। চহী অসিগী জনুৱারী ১২ দগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা মেলবোর্নদা লৈবা মরু ওইবা লাইশঙ অহুমদা খালিষ্টানিশিংনা টার্গেট তৌখি। ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা ইন্দিয়ন হাই কম্মিসন্না অকনবা ৱারোল অমা ইস্যু তৌরদুনা হায়খি, মদুদি খালিষ্টানিশিংনা হিন্দু লাইশঙশিংদা এটেক তৌবা তোইরক্লিবা অমদি মখোয়বু মখল অমত্তগী পনিসমেন্ট ফঙহন্দবগী ফিভম অসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাইনি। এন্টি-ইন্দিয়ন টেররিষ্টশিংবু থাগৎতুনা লাইশঙশিংগী ৱালদা গ্রাফিটি য়েকশিন ইশিল্লল্লিবসি তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংনা মখোয়দা খালিষ্টানি সপোর্টরশিংনা ইংনা চিক্না লৈজবা হিন্দু কম্যুনিটিদা লাইনিং লাইশোনদা য়ুম্ফম ওইরগা হঙ্গৈই তুক্কচবগী থৌওংশিং উৎলক্লিবা অদুনা মখোয়বু কিহল্লে অমদি খোইরাং খোইশাওনহল্লে হায়খি।

# ব্রাজিলনা লেন্দস্লাইদকী ভিক্তিমশিং মতেং পাঙনবা খ্বাইদগী চাওবা ৱারশিপ মোবিলাইজ তৌখ্রে

ব্রজিলিয়া ফেব্রুৱারী ২৪ (এজেন্সী): ব্রাজিলগী সাউ পাউলো ষ্টেটকী সমুদ্র মপানগী মফমশিংদা মীওই ৪৯ শিহনখিবগা লোয়ননা অতৈ ২৫০০ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোকহল্লিবা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা থোক্লিবা শাথিরবা লেন্দ স্লাইদশিংগী ভিক্তিমশিংবু মতেং পাঙনবা লৈবাক অসিনা মসিগী খ্বাইদগী চাওবা জহাজ মোবিলাইজ তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, এয়রক্রাফট কেরিয়র অদু ব্রাজিলদা রেকোর্দ তৌখিবা খ্বাইদগী কনবা নোংজুনা শোকহল্লিবা ম্যুনিসিপালিটি সাউ সেবাষ্টিয়োগী পোর্টতা থুংখ্রে।

মিনিষ্টর ওফ ইন্টিগ্রেসন এন্দ রিজনেল দিভলপমেন্ট ৱালদেস গ্রোস অমসুং মিনিষ্টর ওফ পোর্টস এন্দ এয়রকোর্টস মার্সিয়ো ফ্রাঙ্কা জহাজ অদুদা তোংখি। ভিক্তিমশিংবু মতেং পাঙনবা অমসুং অমাঙ অতা থোক্লবশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎনবা গভর্ণমেন্টনা রিএল মিলিয়ন ৬০ (দোল্লর মিলিয়ন ১১) ইনভেষ্ট তৌরগনি হায়না পোর্ট অদুদা হেক থুংবগা মিনিষ্টর গোসনা লাউথোকখি।



বারাদো সাহি, বালেয়া অমসুং কম্বোরিগী বিচশিংগী অকোয়বদা লৈরিবা চীংশিংদা শাথিরবা লেন্দ স্লাইদশিং অদু থোকপদগী থীবা খঙখিদ্রবা মীওই কয়া আর্মি, ফায়র ফাইটরশিং অমসুং ভোলুন্টিয়রশিংনা লৈখোম লৈনাং মরক্তা থী হুমখি।

মখোয়গী থবক অদুদা মতেং পাঙননবগীদমক নেভিনা মিটর ২০০ শাংবা অমসুং মীওই ১৪০০ অমদি এয়রক্রাফট ১৮ পুবা ঙম্বা এয়রক্রাফট কেরিয়র এটলান্টিকো মোবিলাইজ তৌখি। জহাজ অদু অশোকপশিংবু মতেং পাঙবা অমদি লোজিষ্টিক্সকী থবকশিংগা মরী লৈননা সেফ পোর্ট অমা ওইনা শীজিন্নগনি। সাউ পোলোগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা মরু ওইবা লম্বীশিং মাঙ তাকখিবা নত্ত্রগা শীজিন্নবা য়াদবদগী গভর্ণমেন্টনা জহাজ অসিবু শীজিন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

চাওরবা জহাজ অসিদা মোবাইল হোস্পিটাল অমসু য়াওগনি। মদুদা স্পেসিএলিষ্ট কয়া য়াওনা ডাক্তর ২৮ না ভিক্তিমশিংবু ক্যের লৌগনি।

এজেন্সিয়া ব্রাজিলগী মতুং ইন্না জহাজ অদুনা লম্বী শিৎতোক শেংদোকপা অমদি রেস্ক্যুগী থবকশিংদা সিভিল দিফেন্সপু মতেং পাঙননবা মেরিনশিংসু পুখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE: TRANSPORT DEPARTMENT
ꯇꯦꯟꯗꯔ/E-TENDER NOTICE
Imphal, the 13th February, 2023.

**No.M-TPT/138/2022-DoTPT-DT/1455:** The Department of Transport, Government of Manipur invites bids from interested Helicopter Service providers in the Country for Wet Leasing of one twin engine Helicopter (pax seating capacity 11 to 13) for passenger flight services in Manipur and adjoining areas under subsidy scheme of Ministry of Home Affairs, Government of India. The details may be seen from https://manipurtenders.gov.in.

Sd/-
Dr. Nivedita Lairenlakpam
Director (Transport)
Manipur

HL-B/8048/25

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR - IMPHAL
ꯇꯦꯟꯗꯔ/ LIMITED TENDER NOTICE
Dated, 24th February, 2023

**MU/CHEM/MINOR EQUIP-CHEM/2022-23/1443:** Manipur University invites sealed tender from GST registered firms for Supply of Chemicals and Minor Equipments for the Deptt. of Chemistry. Terms & Conditions for the submitting the bids can either be downloaded from the University website www.manipuruniv.ac.in or obtained from the undersigned. Last date of submission of tender is 13rd March, 2023.

Sd/- David K. Zote
Joint Registrar Purchase Officer

HL-B/8047/25